# সী দব্লিয়ু জি ২০২২ : ইন্দিয়ানা মঙানিশুবা নুমিৎতা নুপীগী লোন বোল অমদি নুপাগী টেবল টেনিস টিম ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রে

BIRMINGHAM 2022 commonwealth games





বর্মিংহম, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):
বর্মিংহমদা চথুরিবা ২২ শুবা কমনৱেল্থ গেমস (সী দব্লিয়ু জি) কী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা লোন বোল মশান্নগী নুপীগী কাঙলুপতা অমদি টেবল টেনিস মশান্নগী নুপাগী টিম ইভেন্টতা গোল্ড অনী অদুগা ৱেটলিফটিং মশান্নগী নুপাগী কেজি ৯৬ কী কাঙলুপতা বিকাস থাকুরনা সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা পুন্না গোল্ড ৫, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেদল ১২ ফংদুনা সাউথ অফ্রিকাগী হেক মথং মেদল টেল্লিগী ৬ শুবা মফমদা লেঙদনা লৈরি।

লোন বোল মশান্নগী ঙসি ভিক্টোরিয়া পার্কতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী লভলি চোবে, রুপা রানি টিরকি, পিঙ্কি অমদি নায়নমোনি সাইকিয়াগী গ্রুপনা সাউথ অফ্রিকাবু ১৭-০ দা মায়থিবা পীদুনা মশান্না অসিদা লৈবাক অসিগী অহানবা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

টেবল টেনিস মশান্নগী নুপাগী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী শরথ কমল অচান্তা, সাথিয়া ঘনাসেকরন অমদি হর্মিট দেসাইগী গ্রুপনা সিঙ্গাপুরবু ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ঘনাসেকরননা সিঙ্গলসতা য়ু ইন কোন পেংবু ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। ঘনাসেকরন অমদি দেসাইগী প্যেরনা কোন পেং অমদি য়োং আইজাক ক্বেকপু ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা শরথনা জেয়ুক্লারেন্সকী মখুৎতা ১-৩ দা মায়থিরবা মতুং দেসাইনা অমুক হন্না ক্লারেন্সপু ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

ৱেথলিফটিং মশান্নদা ইন্দিয়াগী হেবি ৱেথ লিফটর বিকাস থাকুরনা নুপাগী কেজি ৯৬ কী কাঙলুপতা পুন্না কেজি ৩৪৬ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

মহাক্না স্নেটচতা কেজি ১৫৫ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৯১ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

এথলিটিক মশান্নগী লোংজম্প ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এথলিট অনী মুরালি শ্রীসঙ্কর অমদি মোহমদ অনিস ফাইনেল রাউন্দ ঙমখ্রে।

মুরালিনা অহানবা এটেম্পটতা মীটর ৮.০৫ চোংবা ঙমখি অদুগা মোহমদ অনিসনা মহাক্কী অনীসুবা এটেম্পটতা মীটর ৭.৬৮ চোংদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

| Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|
| Australia | 32 | 27 | 25 | 79 |
| England | 21 | 21 | 11 | 53 |
| New Zealand | 13 | 7 | 5 | 25 |
| Canada | 8 | 11 | 18 | 37 |
| South Africa | 5 | 4 | 4 | 13 |
| India | 5 | 4 | 3 | 12 |
| Scotland | 2 | 8 | 14 | 24 |
| Wales | 2 | 2 | 8 | 12 |
| Malaysia | 2 | 2 | 3 | 7 |
| Cyprus | 2 | 1 | 4 | 7 |
| Nigeria | 2 | 1 | 2 | 5 |
| Singapore | 1 | 3 | 1 | 5 |
| Trinidad and Tobago | 1 | 1 | 1 | 3 |

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# সী দি সী, ৱাই দব্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে







ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনমা শীন্দুনা চথুরিবা ৬শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অনীদা সিটিজেন দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (সী দি সী) শগোলবন্দ সলাম লৈকায় অমদি য়ুথ ৱেলফ্যেরক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) পাৎশোই মায় পাকখ্রে।

সী দি সী শগোলবন্দনা পুন্না মেটচ ৩ শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ এগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি। ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎশোইনা পুন্না মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাক্লগা পোইন্ট ৪ ফংদুনা নেট রন রেটতা গ্রুপ বিগী টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈরি।

লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা সী দি সী শগোলবন্দনা উরিপোক ক্রিকেট ক্লব (য়ু সী সী) উরিপোকপু রন ৮৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শগোলবন্দ টিম্না তোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২০৩ লৌবা ঙমখি। অদুগী পাউখুমদা য়ু সী সীনা অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিংদা ওভর ৩৬.৩ দা ওল আউট ওইদুনা রন ১১৫ লৌদুনা সী দি সীগী মখুৎতা রন ৮৮ দা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা শগোলবন্দগী বোলর মুতুম জোদিবানা অনীশুবা ইনিংসকী ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা বোলরগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স পীবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংবা ঙমখি।

শগোলবন্দগী বেটচমেন থৌনাওজম রাকেসনা বোল ৬৫ তা রন ৪৬ অদুগা প্রিয়োজিৎ নারেংবমনা বোল ৪৭ তা রন ৩৮ লৌদুনা বেট্টিংগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্সিং পীবা শান্নরোয়শিং ওইখি।

অমরোমদা, লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎশোইনা রিয়াল রাইপুরা ক্রিকেট ক্লব (আর আর সী সী) চুড়চান্দপুরবু রন ৫৫ দা মায়থিবা পীখি।

ৱাই দব্লিয়ু সীনা তোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৭২ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইনিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চুড়চান্দপুরগী বেটচমেনশিংবু পাৎশোইগী বোলরনা ওভর ২৯.৪ দা ৱিকেট লোয়না লৌদুনা অপিবা টার্গেট য়ৌবা ঙমহন্দনা রন ১১৭ লৌদুনা ৱাই দব্লিয়ু সীগী মখুৎতা রন ৫৫ দা মায়থিখি।

মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিয়ু সীগী ওল রাউন্দর লাইখুরাম জগৎনা অহানবা ইনিংসকী বেট্টিংদা বোল ১১৩ দা রন ৭৬ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৭.৪ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

### মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সুপর দিভিজন লীগ

# উপা অমদি অবা, এস এ কে অমদি ঈ এস য়ু দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা চথুরিবা মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা উপা ক্যামগৈ অমদি অবা খেত্রিগাও ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস এ কে য়ুম্নাম খুন্নৌ অমদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাংখৈ ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে।

উপা অমদি অবা অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ক্যামগৈগী শান্নরোয় ও পরমজিৎনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই গুলজরনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১ দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী অপীবা মতম লোয়বা ফাওবদা গোল চনবা য়াবা তঞ্জা ফঙলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী ১-১ দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফ্রি এন অমরজিৎনা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবা উপাগী পরমজিৎপু শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। রেফ্রিনা মখা তানা অবাগী জুইল কোম, মাকুবুল অলম অমদি উপাগী টি ঐচ পায়খোম্ববু শান্নবগী ৪১, ৭১ অমদি ৮০ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অমরোমদা, এস এ কে অমদি ঈ এস য়ু অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ৱাংখৈগী কে এস ঐচ সোমোকান্তনা শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই এদিসন কোমনা শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১ দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফ্রি পি ঐচ লন্থোইবনা এস এ কেগী টি ঐচ রাজেসপু অহানবা হাফকী শান্নবগী ৩২ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবদা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকামপাৎ অমদি এস এস সী পোরোমপাৎ নুংথিল পুং ১ দা শান্নরগনি। অনীশুবা মেটচতা পি ৱাই এ কাইরং অমদি ঈ এস য়ু ৱাংখৈ লম্বা তৌনরগনি।

# ষ্টেটকী জিম্নাষ্ট ৪না এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):
থাইলেন্দগী পাট্টয়াদা সেপ্টেম্বর ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭ শুবা এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপতা ষ্টেটকী জিম্নাষ্ট ৪ অমদি কোছ অমনা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারগনি।

শান্নরোয়শিং অসি জিম্নাষ্টিক ফেদেরেসন ওফ ইন্দিয়ানা চান্দিগরগী সেক্টর-৪২ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জুলাই ২৪ দা পাঙথোকখিবা এরোবিক্স জিম্নাষ্টিক্কী নেসনল সেলেক্সন ট্রাইয়েলদগী খল্লকপনি।

শান্নরোয়শিং অদুদি অরিহা পাঙম্বম অমদি অঞ্জোরি পাঙম্বম (ইন্দিভিজুএল ৱিমেন), মলিয়ানি কোনসম অমদি বেন্মী চিংশুবম (ট্রাইও) নি। খনগৎলবা কোচ অদুনা ৱাই রানাজন (এরো দান্স গ্রুপ) নি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসল থাইলেন্দগীদমক সেপ্টেম্বর ১ দা ন্যু দেল্লি থাদোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই বোনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সুপর দিভিজন লিগ ওগষ্ট ৭ তগী হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ২২ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২২ থা অসিগী ৭ তগী অৱাং সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

লিগ অসিদা পুন্না টিম ৬- পাময়াল পাৎশোই পার্ট-২, সী ঐচ আই কে এল চজিং, এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই, এন সী ক্লব খোংহামপাৎ, ৱাই দি য়ু লমদোং অমদি এস এফ সী তেরানা শরুক য়ারগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎ ওগষ্ট ৭ কী নুংথিল পুং ১.৩০ দা সী ঐচ আই কে এল চজিং অমদি ৱাই দি ও লমদোং অনীনা ওপনিং মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কবাদি টিম লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা শীন্দুনা ওগষ্ট ২৬ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ষ্টেট ওলিম্পিক্স গেমস ২০২২ গী কবাদি মশান্নদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপা অমদি নুপী টিমগী মমিং ঙসি লাওথোকখ্রে।

খনগৎলবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি - এস মাঞ্জ, এম দি ইলিয়াস খান, কে ঐচ কিসন মৈতৈ, এম বিশ্বনাথ, এম গম্ভির, এম দি ইস্লাউর রহমন, টি ঐচ জোন্সন, ও সত্যাজিৎ, এল সমানন্দা, এম রঞ্জু, টি হেরোজিৎ অমদি এল থোইবনি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা - এল মালেমঙানবী চনু, ঈ মনিমালা, সী ঐচ রেবিকা, এস অথিবী, টি খৃষ্টিনা, কে ঐচ গুনিতা, ৱাই অশালিনা, জোলিতা অসেম, ৱাই শকহেনবী, এম তঞ্জিলা, এম সুহানি অমদি ঈ সুহানানি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ৭ ত্তী হৌদুনা নুংত্তিগী অয়ুকপুং ৭ তা কোচিংগীদমক এম ৱাই সী গ্রাউন্দ লাইকোল হৈরোক পার্ট-১ দা লাক্তুনা এম মঙলেম অমদি কে ঐচ ইঙোদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি। মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবা শান্নরোয়শিংগী ওইনা রিজার্ভ প্লেয়রশিংদা খুদোংচাবা পীগনি হায়রি।

# কিকবোক্সিংগী ট্রাইল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):
রজাস্থাননা য়ুম্বু ওইদুনা জয়পুরগী এস এম এস ষ্টেদিয়মদা সেপ্টেম্বর ২৬ তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাকো ইন্দিয়া নেসনল কিকবোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২২ দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা কিকবোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৬ কী অয়ুক পুং ৭ তা মোইরাংখোম বজারদা লৈবা শম্যাশখি হায়স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়না কিকবোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এস উমাকান্তনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা নুপীগী ওইনা কেদেট, জুনিয়র অমদি সিনিয়র কেটেগোরিদা পাঙথোক্কনি অদুগা নুপাগী ওইনা কেটেগোরি লোয়নমক্কী পাঙথোক্কনি।

ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা য়ুনিটশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট মেম্বরশিংনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোয়শিংগী পাস্পোর্ট ফোটো ২/২, এজ প্রুফ সর্টিফিকেট পীশিল্লক্কবা অমদি য়ুনিটশিংনা ২০২২-২৩ গী চহীগী এফিলিএসন ফি লুপা ১০০০ শু পীখৎলক্কবা খঙহল্লক্লি।

# এম ও এনা শুশিলা লিকমাবমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):
য়ু কেগী বর্মিংহমদা চথুরিবা ২২ শুবা কমনৱেল্থ গেমসকী জুদো মশান্নগী নুপীগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিলভর মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী মেদল টেল্লিদা মেদল অমা হাপচিনবা ঙমখিববু মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হরাওবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নিংশিংবা য়াবদি, শুশিলানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল বাউটতা সাউথ অফ্রিকাগী মিচেলা হ্বাইটবুলগী মখুৎতা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফঙদুনা ইন্দিয়াগী ৭ শুবা মেদল ফঙবা ঙমখিবনি।

# ক্রুশ শান্নরোয়শিংদা য়াইফ থৌজাল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):
জোর্জিয়াগী বাটুমিদা ওগষ্ট ৩ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর্নেসনল ক্রুশ চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারিবা ষ্টেটকী শান্নরোয় ৬ কী মফমদা ক্রুশ কম্মিটি মণিপুরগী মায়কৈদগী মায় পাক্লা শরুক য়াবা ঙম্নবা য়াইফ থৌজাল পীরক্লি।

ইন্দিয়া টিমগী পুন্না শান্নরোয় ১২ খনবদা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোয় ৬ য়াওরকপনি। শান্নরোয়শিং অদুদি লাংলেনতোম্বী হঞ্জবম (ননক্কান), কাংজম মোনিস (তাইজিক্কান), জেলিসন থাংজম (ননক্কান), হৈস্নাম প্রভাবটি (সেন্দা কেজি ৫২), নরেস নোংমাংথেম (সেন্দা কেজি ৫৬), অমদি থাংজম নাওচা মৈতৈ (সেন্দা কেজি ৬০) নি।

# দি এস এ ককচিংগী জি বি মিটিং ওগষ্ট ২১ দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচিংগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী জুলাই ৩১ দা ফমখিবা মীফমনা লৌরকখিবা ফীরেপকী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম ওগষ্ট ২১ গী অয়ুক পুং ৭ তা ককচিংদা লৈবা দি এস এ ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচিংগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিং অমদি য়ুনিটশিংগী নোমিনি মেম্বরশিং অমদি এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মশা মশাগী রিনুএল ফি লুপা ৩০০ ওগষ্ট ৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কবা খঙহল্লক্লি।

মীফম অসিদা দি এস এ ককচিংগী টর্ম ২০২২-২৬ কী থৌপুনবা ওফিস বিয়াররশিংগী মীখলসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ফ্রেন্দলি ফুটবোল শান্নখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) গী লমজিং মখাদা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা মচি ভিল্লেজদা লমদম অদোমগী নহাশিং অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা ঙসি শান্নখ্রে।


ফুটবোল মেটচ অসি দুরান্দ কপ ২০২২ গী কর্টেন রেজর ওইনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি। মেটচ অসি ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট প্রমোট তৌবা অমদি খেলো ইন্দিয়া কেম্পেনগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। ইভেন্ট অসিনা লমদম অদোমগী নহাশিংদা শান্ন-খোৎনবগী হৈ-শিংবা উখোক্লবগী প্লেটফোর্ম অমসু ওইরি।

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE
Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch)
FOR CLASS IX, X, XI &XII
CLASS START : 10th, 17th, 24th August 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN) Morning 6:30 to 8:00 am / Evening 4 to 7:20 pm
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COHSEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-6/9(alt)




SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/2/8-28/9

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 532

**Murray Chandler - Yehuda Gruenfeld**
**Lone Pine Lone Pine, CA USA (7), 1979.04.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 g6 | 3.c4 Bg7 | 4.Nc3 d6 |
| 5.f4 Qb6 | 6.Nf3 Bg4 | 7.d5 Nd7 | 8.Na4 Qc7 |
| 9.Bd2 Ngf6 | 10.Bd3 O-O | 11.Rc1 cxd5 | 12.cxd5 Qb8 |
| 13.b4 b5 | 14.Nc3 a6 | 15.O-O Nb6 | 16.a4 Nc4 |
| 17.Bxc4 bxc4 | 18.Rb1 a5 | 19.b5 Nd7 | 20.Qc2 Qb6+ |
| 21.Kh1 Rfc8 | 22.Ng5 h6 | 23.Nxf7 Kxf7 | 24.h3 h5 |
| 25.hxg4 hxg4 | 26.Kh2 Bd4 | 27.g3 Rh8+ | 28.Kg2... |

**QUESTION :**
**Black to checkmate**

**Puzzle 531 Ans. :**
33. ...Bf4 34. Be3 Rxe3 35. c6 Bc8 36. b6 Re4 37. Qd5+ Kg7 38. Rf1 Rb4 39. Qxa5 Bd6 40. Qa8 Qe5 41. g3 Bxh3 42. c7 Bxc7 43. bxc7 Qxc7 44. Re1 Qb7
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com